# কনাগুম্বা থম্মোয় শেংনা শীনফমসিবু পামজবা মীশক অমা থোরক্লগদি অখাকপা অমত্তা থমদনা পীগনি ঃ মাইবম শ্যামো খুমন





ঐচ রাজেসে

লম অমদা নৎত্রগা অমদা লাইনিং ওইদুনা থম্মোয় শেংনা হোৎনরগদি মীওইবনা তৌবা ঙমদবা অমত্তা লৈতে হায়বগী ময়েক লারবা খুদম অমা ওইরিবা বাঁশি খোংবা অমা ওইনা লোয়ননা বাঁশি শেম শাবদা মীয়াম্না থোয়দোক হেন্দোক্লা শকখঙনরবা মাইবম শ্যামো খুমন মশামক অহিংবা খুদম অমা ওইরি।

বাঁশি, সেক্সাফোন, সেহানাই নচিংবা খোংবা অমা ওইনা মীয়াম্না শকখঙনরিবা ওজা অসি হায়রিবা ইনষ্ট্রুমেন্টশিং অসি শেম শাবদসু শীংথানরিবা মীশক অমা ওইরি। ইনষ্ট্রুমেন্টেলিষ্ট অমা ওইনা মণিপুরগী ব্রাংমদা পাঙথোকপা মখল মখা কয়াগী কম্পিটিসন লোয়ননা কলচরেল একচেঞ্জ প্রোগ্রাম কয়াদা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা ফংবা বাশি মখল কয়া লৈদুনা খোংবা মমতমদা, মফম মতমগী মতুং ইন্না বাঁশিশিংদা খুদোংচাদবা কয়া থেংন্নরকপনা মরম ওইদুনা হিরম অসিদা মতম শাংনা থিজিন-হুমজিল্লবা তুংদা পয়া ব্রা, খোক ব্রা অমদি পি বি সি পাইপনা শাবা ফাইবরগী ওজা অসিনা শাবা বাঁশিশিং মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা মখল অমা ওইরি।

লোয়ননা অহোংবা মমলদা হায়রিবা বাশিশিং ফঙহন্দুনা ইনখৎল্লক্লিবা নহা ওইরিবা বাঁশি খোংবশিংদা খুদোংচাবা পীবদা নত্তনা লম অমদা নৎত্রগা অমদা থম্মোয় শেংনা হোৎনবদা ঙমদবা লৈতে হায়বগী খুদম অমা ওইরিবা মাইবম শ্যামো খুমন ইং ১৯৬২ গী সেপ্তেম্বরগী তাং ১ দা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খা-পোৎশঙবম মমাঙ লৈকাইদা পোকখি। য়াম্না নৌরিঙৈ মতমদগী ঈশৈ পামজনা হৌরকখিবা শক্লাইরবা ওজা অসি মতম পুম্বদা সেক্সাফোনগী খোঞ্জেল তারুবদগী ইন্সট্রুমেন্ট অসিবু খোংনিংবগী ইখৌ লাংবা অমা মতম পুম্বদা লোয়নদুনা লৈখি।

শক্লাইরবা ওজা অসিগী অপাম্বা অদু মাগী ওজা নম্বোলদা লৈবা জে এন দান্স একাদেমি ইম্ফালগী বাঁশি খোংবা ওজা লালকহ্নাই থেংনরূবদগী মতম কয়াদগী মঙজরকপা মঙলান মঙফাওনবগী লম্বীদা খোংদবা হৌখি। বাঁশি, সেহনাই, সেক্সাফোননচিংবা ইনষ্ট্রুমেন্ট কয়া খোংবতা নৎতনা শেম শাবগী থবক্তা হৈথোয় শীংথোয়বা ওজা লালকহ্নাইগী শেবক অমা ওইনা লমসিদা লৌশিং জ্ঞান কয়া ফঙজখি।

লোয়ননা কলচরগী সংস্থান কয়াগা খূৎশম্মদুনা শক্লাইরবা অসিনা মাগী কলাগী শাঙলবা খোঙচৎ অমদা মায় পাক্লা মণিপুর অমদি মণিপুরগী মপাল লমশিংদা পাঙথোকপা কম্পিটিসননচিংব কয়াদা মশক থোকপা প্রাফোমেন্স উৎতুনা মনা মথুম কয়া অমসুং ফঙবা ঙমখ্রে। কনাগুম্বা থম্মোয় শেংনা মাগী শীনফম অসিবু পামজবা মীশক অমা থোরক্লগদি অখাকপা অমত্তা থমদনা পীগনি হায়বা ব্রাখলোন লেঙদনা লৈজবা ওজনি মাইবম শ্যামো খুমন। মহাক্লা শাবা বাশি মখল অহুম ইম্ফালগী পাউনা কৈথেলদা লৈবা এম কে ট্রেদরসতা মরাং কায়না ফঙহনবগা লোয়ননা 'মাইবম শ্যামো খুমন' হায়রিবা ফেজবুক একাউন্ট অসিগী খুৎথাংদা মণিপুরগী মপাল দিল্লি, মুম্বাই, কোলকাটাদচিংবা মফমশিংদগী দিমান্দ কয়া তৌরকপগা লোয়ননা ওজা অসিনা কাছারদা ফংবা পয়া ব্রা, লমদম অসিগী খোক ব্রা লোয়ননা পি বি সি পাইপনা শাবা ফাইবরগী অপিকপা, ময়াইওইরকপা তৌবা অমদি অচৌবা মখলগী বাশিশিং অসি থারি। Batkande Sangeet Vidyapith, Lucknow দগী Hindustani Sangeet-Prathma (vocal) পাস তৌখি। লোয়ননা হিন্দুষ্টানি সঙ্গিট মধায়মা ( Instrument-Flut)-১৯৯০, হিন্দুষ্টানি সঙ্গিট বিশারদ-১ (Flut) ২০১২ তা ফার্ষ্ট ক্লাসতা পাস তৌখি।

লোয়ননা ইন্সটিটু্যসন অসিমক্তুদা ২০১৬ দা বিশারদ পার্ট-২ ( Instrument-Flut) পাস তৌখি। ইং ১৯৭৯ দা মশাগী চহী ২২ শুবদা বিষ্ণুপুরদগী ইবেমপিশক দেবীগা য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙদামিন্নদুনা মচানুপা অনী, মচানুপী অনী লৈরবা শক্লাইরবা ওজা মাইবম শ্যামোনা মায় পাক্লা শীনফম অসিদা চঙশিনবা ঙম্মবা হোৎনবদা শীজিন্নরিবা খূৎলাই অমা হায়রগদি তৌগদবা লৈরবা থবকশিং অদু মাঙজৌননা পাঙথোক্লদবা হোৎনবনা ওইরি।

মতম পুম্নমক্তা থবক থৌরম খুদিং মাঙজৌননা উবা ঙম্মবা হোৎনবা ওজা অসিনা লমদম অসিগী ইনখৎক্লিবা নহারোলশিংনা অরেম্বদা মতম মাঙহনবগী হৈনবী থাদোক্তুনা থোরক্লগদি অখাকপা অমত্তা থমদনা পীগনি হায়বা অসিনা শক্লাইরবা ওজা অসিগী লেঙদনা থম্বা ব্রাফমনি।

ইং ১৯৯২ দা দি দি কেন্দ্র ইম্ফাল, পি পি সি, এন ই, গুৱাহাটি অমদি এ আই আর ইম্ফালগী শকখঙলবা বাশি খোংবা অমা ওইনা প্রোগ্রাম কয়াদা শরুক য়াখ্রে। ইং ১৯৯৪ দা ন্যু দিল্লিদা টেন মুরটি হাউসদা পাঙথোকখিবা জৱাহলাল নেহরু ১০৫ বার্থ এনিভর্সরিদা ফোল্ক দান্স ফ্রোম নোঠ ইষ্টন ষ্টেটতা ম্যুজিসিয়ান অমা ওইনা শরুক য়াখি। মদুগী মতুংদা চহী অদুমক্তদা মুম্বাইগী বারটিয়া ভাল ভাবন ডা. সোবিতা মহেতা বেনদা দোক্টরেট এৱাদ পীবগা মরি লৈননা পাঙথোকখিবা ফঙসনদা শরুক য়াখি।

১৯৯৫ তা য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টসনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেভেল য়ুঠ ফেষ্টিবেল, ষ্টেট য়ুঠ সেন্টর ইম্ফালদা ম্যুজিসিয়ান অমা ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা মতম শাঙনা 'অচিবা থিয়েটর এসোসিয়েসন' অমদি নম্বোল ফোইজিংদা লৈবা পাব্লিক থিয়েটর এসোসিয়েসনগী ম্যুজিক ডাইরেক্টর অমা ওইবতা নত্তনা ইং ২০০৪ দগী ঙসি ফাওবা ষ্টেট লেভেল য়ুঠ ফেষ্টিবেলগী জুরি মেম্বর অমসু ওইরি।

প্রিয়োগোপালসনা সেন্টর আর্ট এন্দ কলচরেল ইম্ফালগী ম্যুজিকেল ( নোটাসন)গী এষ্টিটেন্ট টিচর অমা ওইনা চহী ৩ রোম লৈরম্মী। হৌজিক ফাওবা খা- পোৎশঙবম ম্যুজিক বেন্দগী বেন্দ মাষ্টর অমসু ওইরিবা শক্লাইরবা ওজা এম শ্যামোনা হৌজিকফাওবদা ফঙখিবা শীংথানবা য়ারবা এৱার্দ খরাদং পনবা তারগদি- ইং ১৯৭৬ তা খা- পোৎশঙবমদা পাঙথোকখিবা হারমোনিয়ম ইন ১৩ ওগষ্ট কম্পিটিসনদা অহানবা মনা, ২০০০ দা আর বি আই ,ফনা নবেম্বর ১৪ দা পীখিবা এরেঞ্জর এৱার্দ, ২০০৩ দা থিয়েটর সেন্টর মণিপুর অমদি ষ্টেট কলা একাদেমি অনীনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৩৮ শুবা সোর্ট প্লে কম্পিটিসন ফোর ক্রিএটিব ডাইরেক্টরদা বেষ্ট এৱার্দনি।


২০০৫ দা এলাহবাদদা পাঙথোকখিবা রাষ্ট্রিয় Bahubhashinga দা বেষ্ট ম্যুজিসিয়ান এৱার্দ, ২০০৬ দা পাঙথোকখিবা ৩৯ শুবা Bahubhashinga Natya mahoshab, Allahabad দা স্পিসিয়েল জুরি এৱার্দ, লোয়ননা এলাহাবাদ নটিয়া সঙহানা মণিপুরগী এরিয়া সেক্রেটরী ওইনা ২০১০ দা হাপলকখি।

লোয়ননা শক্লাইরবা ওজা শ্যামো ইং ১৯৯২ দা এ আই আরগী এপ্রুভ আর্ষ্টিস অমা ওইবগা লোয়নননা ইং ২০০০ দা বাশি খোংবা অমা ওইনা এদিসন পাস তৌখিবনা হৌজিক ফাওবদা ঈশৈ ১০০ গী মথক্তা ম্যুজিসিয়ান ওইনা রেকোর্দ তৌখ্রবা শক্লাইরবা ওজা মাইবম শ্যামো খুমন হৌজিক হৌজিক মাগী ময়ূমদা 'TAMNA FLUTE COMPANY' গী মখাদা বাশি শেম শাবগা লোয়ননা সেক্সাফোন, ক্লারিনেট, সেহনাই, হরামোনিয়মনচিংবা ব্রিন্দ ফ্লো ইনষ্ট্রুমেন্টশিং রিপিয়র তৌরি।

## মহৈরোইশিংগী খুদোল



*TITLE: SONIC*
Thoihenba Nongthombam
Class:I
Sec : D
Roll No: 58
School:St. Josep Hr. Sce.Shool, Sangaiprou






*TITLE :A HOUSE*
Waikhom Pusparani
Class: III,
Sec :Jasmine
Roll No- 45
School: Arena of Learning English School





*TITLE : ROSE*
**Ng. Ronaldo**
Class: V
Roll No- 47
School:St. George High School






*TITLE : HULK*
**Chingkhei Asem**
Class: VI,
Sec : D
Roll No: 15
School: Pitambara English School





*TITLE : BABY*
**Valencia Asem**
Class: IV
Roll No: 6
School:
THE BLOSSOM SCHOOL





*TITLE : MAN*
**Luwanganba Mayengbam**
Class: II , Sec : A
Roll No:19
School: IMPHAL PUBLIC SCHOOL





*TITLE : SCENERY*
**Ishwarchandra Naorem**
Class: KG
Roll No: 9
School: KIDS FOUNDATION






*TITLE : DOG*
**Princenanda Laishram**
Class: K.G
Sec : B,
Roll No : 26
School :PREMIER ENGLISH ACADAMY





*TITLE :A HOUSE*
**Loyumba**
Sec : Jasper
School: Heritage Convent







*TITLE :A GIRL*
**Joshana Kh.**
Class: III
Sec : Jasper
Roll No: 2
School: Heritage Convent



*TITLE : SCENERY*
**O. Rahul Singh**
Class: IV,
Sec : A
Roll No- 22
School: ST. JOSEP HS.SEC SCHOOL





*TITLE : OGGY*
**Ak.Rohenjit**
Class: III
Sec : Sangai
Roll No: 36
School: Nirmla House



Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*